# ফেন্সিং, টাই ক্বান্দো, ৱুশু, জিম্নাষ্টিক্সকী শান্নফম অমত্তা খুমন লম্পাক্তা শারমদবসি করিগীনো?

(হান্নগী মখা...)

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি কাঙলোন কায়না থম্লকপসু কুইরে। স্পোর্টসপু নুংশিজবা, লাই ওইখ্রবা অহল-লমন কয়ানা ৱানা য়ূম্ফম থোন্দুনা শেন্নকখিবা মফমসি ঙসিগী মীরোলনা থওইদবদি চুমদে। শান্নবুং অসি হেন্না চাওখৎলক্নবা তমজনীংঙাই ওইবা মওংদা থম্নিংবা মীগী মশীং ৱাৎপগুম উরিবসিদি নুংঙাইতে। য়ুথ এফেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মতম মতমগী মরু ওইবা থৌ পুবিরম্বা লুচিংবশিংনসু ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংগী খল্লগা, মতমগা চান্নবা থবক থৌরমশিংদা হেন্না ৱাখল থাদহন্নীংই।

ষ্টেদিয়ম শেমগৎ-শাগৎলিবশিং অসিদসু গেম খরগীদি করিমত্তা পূক্নিং চঙলমদবসি করিগীনো হংনীংই। মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মশান্নশিং ফেন্সিং, ৱুশু, টাই ক্বান্দোনচিংবগী শান্নফম হোল অমত্তা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী শাগৎপদা য়াওরমদে। অদুগা খ্বাইদগী মরু ওইবা ইহান হান্না শাফম থোকপা মাদর গেমনি হায়না মালেম্না য়ানরবা জিম্নাষ্টিক্সকী হোল অমফাওবা শারমদবা অসিসু অরানবনি। স্পোর্টসকী পৱর হাওসনি হায়না চাউথোকচরিবা ষ্টেটসিদা জিম্নাজিয়ম হোল অমফাওবা শানবা থৌরাং তৌরমদ্রিবসিনা করিগীনো? ৱুশু, টাই ক্বান্দো, ফেন্সিং, জিম্নাষ্টিক্স মশান্নশিংগী মতিক চাবা শান্নফম লৈতে। হৌজিক হৌজিকসু অহাংবা মফম থিদুনা ত্রেনিং তৌরি, প্রেক্টিশ চথরি। ওলেম্পিয়ন পুথোক্নবগী পান্দমদা সেন্তরদগী থাদরক্লিবা য়াম্লবা শেনফমশিং পরম চুম্লিব্রা হায়বসিমদি চঙলু চঙলুবা মফম খুদিংমক্তা হংনীংঙাই ঙাক্তা ওইরি।



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### স্পোর্টসতা মীৎয়েং অমা



ঙসিদগীনা চহী খরগী মমাঙদদি ফেন্সিং মশান্না অসি মণিপুর মচাশিংগী মেদল য়াম্না লৌবা মশান্না অমসু ওইরম্বনি। স্পোর্টস ইভেন্ট অসিগী ওইনা ইন্টরনেসনল থাক্কী টুর্নামেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ইতৎ তত্তনা শান্নরম্বসি মীতৈ মচাশিংনা ঙাক্তা ওইরম্মী। ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা নেসনল গেমসতসু মণিপুরী মচাশিংবু নমথবীনীংঙাই লৈরমদবনি। অদুবু ঙসিদি খূৎলায়গী মপান তাংবা মেটালিক গেমস হায়রগসু খঙনবা মশান্না অসিদা শান্নফম নীংথিনা লৈতবা, ফেন্সিং মশান্নগী ওইনা তোঙানবা হোল অমা শাবিদবনা অফবা ফেন্সর থোরকপগী মশীংসু য়াম্নমক হন্থখ্রে। নেসনল চেম্পিয়নশিপ অমুক অমুক তৌবা মতমদা গোল্ড ১০ হেন্না লৌবা ঙল্লম্বা, গোল্ড, শিলভর, ব্রোঞ্জ মশীং য়াম্না লৌদুনা ইতৎ তত্তনা টিম চেম্পিয়ন লৌরম্বদু হৌজিক্তি শুপ্নগী মেদল অমা/অনীদা হাইথখ্রে, য়াম্না হন্থবা থাক্তা লৈখ্রে। মতম অমদা লেবেল ৱাংনা লৈরম্বা তারগসু খূৎশু খূৎলায় শুদবা, ফজনা ফিট তৌদুনা শান্নবা য়াদবা, ফেন্সিংগীদমক অখন্ননা ফিট্টিং তৌদবনা মরম ওইরগা নিংথিনা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমদবগী ষ্টেজদা লৈখ্রে।

অদুগা মশান্না ময়াম অমগী আর সী সী ত্রেনিং তৌফমসু ওইরিবা ইন্দোর হোল অসিসু অয়াম্বা মতমদা মৈ মম্মী। মফমসিদা ত্রেনিং তৌরিবসি পূন্না স্পোর্টস ইভেন্ট অহুম/মরিদি লেপ্তুনা অদুম তৌই। জিম্নাষ্টিক্স, সেপাক তাক্রো, জুদোনচিংবগী শান্নরোয়শিং অয়ূক অমসুং নুংথিলগী অথেংবা মতম ফাওবা ত্রেনিং তৌবদি অদুম থেংনৈ। হায়রিবা হোল অসিদা স্পোর্টস লাইটিংগী (ফিলিপস), স্কোর বোর্দকী এক্বাটিক ট্রিটমেন্টকী (ৱাল এন্দ সিলিংগী) পী এ সিষ্টেমগী, রিপ্লেসমেন্ট ওফ সিন্থেটিক সর্ফেসকীদমক ক্রোর চাম্মগী শেনফমদগী মতিক চাবা শেনফম থাদদুনা শেমগৎপদদি য়াওরি।

স্পোর্টস লাইটিংদা লুপা ৪৩,৭২,০০০,০০/- চঙনা মপূং ফানা শেমখ্রে হায়নসু পল্লি। অফবা শান্নরোয় পুথোরক্নবা, ওলেম্পিক গেমসতা মেদল লৌরক্নবা পান্দমদা য়াম্লা য়াম্লবা শেনফম থাদদুনা হোৎনরগা শান্নরোয়শিংবুনা অমম্বা হোলদা ত্রেনিং তৌহনবসিদি অচুম্বা নত্তে। মরী লৈনবশিংনা কৃপ্পা য়েংশিনবীরগা লাইট ঙান্না থানবীয়ু। ষ্টেট অসিগী অচঙবা শান্নরোয় ওইরক্কদৌরিবা প্লেয়রশিং নুংঙাইনা ত্রেনিং তৌহনবীয়ু।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫২

১. আফগানিষ্টান ক্রিকেট 'টেষ্ট' শান্নবগী অয়াবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা পীখ্রে। লৈবাক (আফগানিষ্টান) অদুদা পোকপা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা টেষ্ট শান্নখিবা শান্নরোয় অদু কনানো?

২. মহাক মণিপুর মচা নত্তে, মহাক মপান লমদগী, অতোপ্পা ষ্টেটতগী মেগা মরাথন্দা তরুকশুবা ফাওবগী মনুং চনবা অহানবা লমজেল্লোয়নি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

৩. মুহম্মদ অলি ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংলবসু য়ু এস এগী মিলিটরি ত্রেনিং য়াও হায়বা য়াদবদগী জেলদা থমখি। মহাক্কুম্না ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইবা স্বিদেনগী শান্নরোয় অমা মিলিটরি ত্রেনিং য়াওদবগী জেলদা থমখি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

৪. কুমজা ১৯৫০ গী মতমদা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা 'রিং' শান্নরম্মী। স্কুলদা অমদি লৈকায়দা মশান্না অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্নরম্মী। স্পোর্টস অমা পাঙথোকপদা মশান্না অসি থৌরম অমা ওইনা য়াওহল্লি। মশান্না অসিগী অশেংবা মমিং হায়য়ু।

৫. লাই অমা পীরিবা অসিদা ওজা অমনা শান্নরোয় অমবু লমজেলগী ত্রেনিং পীরি। শান্নরোয় অসিগী মমিং পীয়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সিখর ধৱন্না মুরালি বিজয়গী মহুৎ শিন্দুনা শ্রী লঙ্কাগী টুরদা শরুক য়ারগনি

ন্যু দেল্লি, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাদা চৎকদৌরিবা টুরদা সিখর ধৱন্না মুরালি বিজয়গী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারগনি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) না হীরম অসিগী মতাংদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবা মেচতা অশোক অপন নংখ্রবা মুরালি বিজয়গী মহুত্তা সিখর ধৱন্না ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী ওপনিং বেটসমেন ওইরগনি।



খুজেংদা শোকপদগী মতম খরা শান্নবা ঙমদনা লৈরিবা মুরালি বিজয়বু মতুং তারকপা মেচশিংদা মপূং ফানা শান্নবা ঙম্নবগীদমক রিহেবিলিটেসন প্রোগ্রামদা শরুক য়ানবা খঙহনখ্রে হায়রি।

শ্রী লঙ্কাগী টুরদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি বিরাট কোহলি (কেপ্তেন), সিখর ধৱন, কে এল রাহুল, চিটেশ্বর পুজারা, অজিনকিয়া রাহানে (ভাইস কেপ্তেন), রোহিট শর্ম্মা, আর অশ্বিন, আর জাদেজা, দল্লিয়ু শাহা (ৱিকেট কিপর), ইসান্ট শর্ম্মা, উমেস য়াদব, হার্দিক পান্দিয়া, ভুবনেশ্বর কুমার, এম সামি, কুলদিপ য়াদব অমসুং অভিনাব মুকুননি।

ৱান দে ইন্টরনেসনল (ও দি আই) মেচশিংদা চাং নাইনা শরুকয়াদুনা লাকখিবা ধৱন্না হৌজিক ফাওবদা টেষ্ট মেচ ২৩ শান্নখিবগা লোয়ননা পূন্না রন ১৪৬৪ লৌবা ঙমখ্রে। টেষ্ট মেচশিংদা সেঞ্চুরি মরি লৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোয় অসিনা লৌখিবা এভরেজ রন ৩৮.৫২ নি।

দেল্লিগী ক্রিকেটর অসিনা খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ২০১৬ তা ন্যুজিলেন্দগা শান্নবা টেষ্ট মেচ অমদা শরুক য়াখিবনি।

# সেট অমত্তা মায়থীদনা ৱিমল্লেদন লৌবা ব্যোন বোর্গকী মথংদা ফেদররনা অহানবা ওইরে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :

রোজর ফেদররনা ৱিমল্লেদনগী চেম্পিয়ন ওইখিবগা লোয়ননা ১৯শুবা গ্রান্দ স্লামগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা স্বিটজরলেন্দগী টেনিস শান্নরোয় অসিনা ৱিমল্লেদনগী ট্রোফি লৌবা খ্বাইদগী অহল ওইবা শান্নরোয়সু ওইবা ঙল্লে।



অমুক্কা হেন্না পূক্নিং চিংশিন্নিঙাই ওইবা ৱাফমদি হন্দক্কী টুর্ণামেন্ট অসিদা মহাক্না সেট অমা ফাওবদা মায়থীখিদবা অদুনি। কুমজা ১৯৭৬ তা মতমদুগী মমিং লৈরবা টেনিস শান্নরোয় ব্যোন বোর্গনা ৱিমল্লেদনদা সেট অমত্তা মায়থীদনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা মতুংদা রোজর ফেদররনা চপ মান্নবা মওংদা হন্দক্কী ৱিমল্লেদনদা সেট অমত্তা মায়থীদনা ট্রোফি লৌবা ঙমখিবনি।

মতৌ অসুম্না গ্রান্দ স্লাম টুর্ণামেন্টশিংদা সেট অমত্তা মায়থীদনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা টেনিস শান্নরোয়শিংদি কুমজা ১৯৭১ দা কেং রোজৱালনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন লৌখিবা, কুমজা ১৯৭৩ দা ইল্লি না ষ্টেজনা ফ্রেঞ্চ ওপন লৌখিবা, কুমজা ১৯৭৬ তা ব্যোন বোর্গনা ৱিমল্লেদন লৌখিবা, কুমজা ১৯৭৮ অমসুং ১৯৮০ দা ব্যোন বোর্গনা ফ্রেঞ্চ ওপন লৌখিবা, কুমজা ২০০৭ তা রোজর ফেদররনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন লৌখিবা, কুমজা ২০০৮, ২০১০ অমসুং ২০১৭ তা রফেল নদালনা ফ্রেঞ্চ ওপন লৌখিবা অদুনা ওইরি।

কুমজা ১৯৭১ গী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা কেং রোজৱালনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অর্থর এসপু ৬-১, ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

কুমজা ১৯৭৩ গী ফ্রেঞ্চ ওপনদা ইল্লি না ষ্টেজনা নিকোলা পিলিপপু ৬-৩, ৬-৩, ৬-০ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

কুমজা ১৯৭৬ কী ৱিমল্লেদনদা স্বিদেনগী ব্যোন বোর্গনা ইল্লি না ষ্টেজবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

কুমজা ১৯৭৮ অমদি কুমজা ১৯৮০ গী ফ্রেঞ্চ ওপনদসু ব্যোন বোর্গনা সেট অমত্তা মায়থীদনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

কুমজা ২০০৭ তা রোজর ফেদররনা চিলিগী ফর্নান্দো গোঞ্জালেজবু ৭-৬ (৭/২), ৬-৪, ৬-৪ দা থোইদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন লৌখি। টুর্ণামেন্ট অদুদা সেট অমত্তা মায়থীখিদে।

কুমজা ২০০৮, ২০১০ অমদি ২০১৭ কী ফ্রেঞ্চ ওপনদা রফেল নদালনা চপ মান্নবা মওংদা সেট অমত্তা মায়থীদনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই, স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ক্রোএসিয়াগী মেরিন সেলিকপু ৬-৩, ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা চহী অসিগী ৱিমল্লেদনগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবনি।

নুপাগী ফাইনেল মেচ অদু শান্নবদা পুং ১ গা মিনিট ৪৩ চঙখি। হৌজিক ফাওবদা রোজর ফেদররনা গ্রান্দ স্লামগী টাইটল ১৯ লৌবা ঙমখি।

কুমজা ২০০৩ দা ফেদররনা অহানবা ওইনা ৱিমল্লেদনগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। কুমজা ২০১৪ দা য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌখিবা সেলিকনা মেচ হৌগৎলকপদা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু অহানবা সেটকী মঙাশুবা অমসুং মাপনশুবা গেমদা অনীরক হন্না সার্ভিসতা দবল ফোল্ট তাবদগী ফেদররনা অহানবা সেট অদু ৬-৩ দা থোইখি। অনীশুবা সেটকী অনীশুবা অমসুং তরুকশুবা গেমদা ফেদররনা ব্রেক অনী ফংখিবগা লোয়ননা শুপ্নগী মিনিট২৫ গী মনুংদা সেট অদু ৬-১ দা থোইখি। অহুমশুবা সেটতসু ফেদররনা সেলিকপু য়াম্না লাকচখিবগা লোয়ননা ৬-৪ দা মায়থীবা পীখিবনি।

কুমজা ১৯৬৮ দা টেনিস মশান্ননা প্রোফেসনল ওনখ্রবা মতুংদা চেলেঞ্জ কপকী ৱিন্নর ওইবা খ্বাইদগী চহী য়াম্লবা শান্নরোয় ফেদররনা ওইরে। হৌজিক ফাওবদা মহাক্না ৱিমল্লেদনগী টাইটল ৮, য়ু এস ওপন ৫, ফ্রেঞ্চ ওপন অমা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল অমা লৌবা ঙমখ্রে।

# রবি শাস্ত্রিনা টিমগী সপোর্ট ষ্টাফ খন্নবগী মতাংদা অনৌবা কম্মিটিগা ঙসি উনরগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী সপোর্ট ষ্টাফ খন্নবগী মতাংদা চীফ কোচ রবি শাস্ত্রিনা হয়েং অনৌবা পেনেলগা উনদুনা ৱারী শানরগনি।

অনৌবা পেনেলদা মেম্বর ওইনা খনখ্রবা মীওইশিং অদুদি দাইনা এদলজি (সী ও এ গী মেম্বর), সী কে খান্না (বি সী সী আইগী এক্টিং প্রসিদেন্ট), অমিতাব চৌধরি (বি সী সী আইগী এক্টিং সেক্রেটরি) অমসুং রাহুল জোহরি (বি সী সী আইগী সী ঈ ও) নি।



ইন্দিয়ন টিমগী সপোর্ট ষ্টাফ খনবগী মতাংদা লৈরিবা চয়েৎনবা পুম্নমক কোকহন্নবগী পান্দমদা বি সী সী আইনা অনৌবা পেনেল অসি শেমখিবনি।

মমাঙদা রাহুল দ্রাবিদ অমদি জাহির খানবু মথংশিংনা বেটিং অমদি বোলিংগী কন্সল্টেন্ট খল্লে হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। মতুং তারকপদা কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটর (সী ও এ) গী মকোক বিনোদ রাইনা রাহুল দ্রাবিদ অমদি জাহির খানবু কন্সল্টেন্ট ওইনা খনবগী ৱাফম মতম খরগী ওইনা চৎনহন্দ্রে হায়না লাউথোরকখি।

দ্রাবিদ অমসুং জাহিরগী মতাংদা রাইনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, হৌজিক ফাওবদা মীওই অনী অসিগা কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনবা লৈত্রি। ইচম চম্না বোলিং অমদি বেটিংগী কন্সল্টেন্ট ওইহন্নবা রেকম্মেন্দ তৌখিবতনি।

হীরম অসিগী মতাংদা চীফ কোচ ওইরিবা রবি শাস্ত্রিগা খন্নরবা মতুংদা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি হায়রি।

নিংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী অনৌবা চীফ কোচ ওইনা খনখ্রবা রবি শাস্ত্রিনা চহী খূদিংগী লুপা ক্রোর ৭ ফংলবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মেম্বর মরিনা শাবা পেনেল অমনা অরোইবা ৱারেপ লৌগদৌরি। হায়রিবা মেম্বরশিং অদুদি বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী এক্টিং প্রসিদেন্ট সী কে খন্না, সী ঈ ও রাহুল জোহরি, কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটর (সী ও এ) গী মেম্বর দাইনা এদলজি অমসুং এক্টিং সেক্রেটরি অমিতাব চৌধরিনি।

খ্বাইদগী ইকোন কোন্না ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না রবি শাস্ত্রিনা চহীদা লুপা ক্রোর ৭ ফংবা তারবসু মমাঙদা ইন্দিয়ন টিমগী কোচ ওইরম্বা অনিল কুম্বলেনা চহীদা লুপা ক্রোর ৯ পীবিনবা বি সী সী আইগী পেনেলদা তকশিল্লম্বা লৈখি হায়রি।

রবি শাস্ত্রিনা টিম দিরেক্টর ওইনা লৈরিঙৈদসু চহী খূদিংগী লুপা ক্রোর ৭ তগী লুপা ক্রোর ৭.৫ ফাওবা ফংখি।

বি সী সী আইগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক রবি শাস্ত্রিদা লুপা ক্রোর ৭ চহী খূদিংগী পীনবা খন্নরি। সপোর্ট ষ্টাফ মেম্বর ওইনা খনগদৌরিবা বেটিং, বোলিং অমসুং ফিল্ডিংগী কোচশিংদদি চহী খূদিংগী লুপা ক্রোর ২ দগী হেন্না পীরোইদৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা বি সী সী আইনা কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনবা থৌরাং লৌখৎপা হোৎনরি।

পনবা য়াবদি থাংজ নুমিৎতা কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটরসনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা রবি শাস্ত্রিবু ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী অনৌবা চীফ কোচ ওইনা খনবগী মতাংদা অয়াবা পীখ্রবনি।

মীফম অদুনা রবি শাস্ত্রি অমদি অতৈ সপোর্ট ষ্টাফ মেম্বরশিংদা চহী খূদিংগী পীগদবা শেনফমগী মতাংদা চপ চানা লেপথোক্নবগীদমক মীওই মরিনা শাবা কম্মিটি অমসু শেমখি।

অনিল কুম্বলেনা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী চীফ কোচ ওইবা তোকখ্রবা মতুংদা ক্রিকেট এদভাইজরি কম্মিটি (সী এ সী) গী মেম্বর অহুম - সচিন টেন্দুলকর, সৌরব গঙ্গুলি অমসুং ভি ভি এস লক্সমননা শাস্ত্রিবু অনৌবা কোচ ওইনা খনখি।

অদুম ওইনমক রাহুল দ্রাবিদ অমদি জাহির খানবু মথংশিংনা বেটিং অমদি বোলিংগী কন্সল্টেন্টে ওইনা খনবগী মতাংদা মতম খরগী ওইনা থবক্তা ওন্থোক্তনবা ফীরেপ লৌখি।

হৌজিক হৌজিক শাস্ত্রি য়াওনা কোচিং ষ্টাফতা লৈরিবা মীওইশিংদি সঞ্জয় বঙ্গার অমসুং আর শ্রীধারনি। সঞ্জয় বঙ্গারনা বেটিংগী কোচনি অমসুং আর শ্রীধারনি ফিল্ডিংগী কোচনি। কুমজা ২০১৪ দা শাস্ত্রিনা টিম দিরেক্টর ওইরিঙৈদা মীওই অনী অসি খনখিবনি।

# ৱিমল্লেদনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা রোজর ফেদরর এ টি পি রেঙ্কিংদা অহুমশুবদা লৈরে নুপীগী চেম্পিয়ন ওইখিবী গার্বিন মুগুরুজানা দল্লিয়ু টি এদা ৫ শুবদা লৈরে

লন্দন, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী ৱিমল্লেদন চেম্পিয়ন্দা ক্রোএসিয়াগী মেরিন সিলকিপু ৬-৩, ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেমখ্রবা রোজর ফেদররনা এসোসিএসন ওফ টেনিস প্রোফেসনেল (এ টি পি) রেঙ্কিংদা অহুমশুবা পোজিসন্দা কাখৎলকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবা স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোয় অসিনা নুপাগী ৱিমল্লেদন চেম্পিয়ন ওইবা খ্বাইদগী অহল ওইরবা মীশকনি। হন্দক্কী চেম্পিয়নশিপ অসিদা মহাক সেট অমা ফাওবা মায়থীখিদে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা পুন্সিগী ওইনা ১৯ শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌখিবা ফেদররনা এ টি পি রেঙ্কিংদা অহুমশুবা পোজিসন্দা কাখৎলকখি। এন্দি মুরে অমসুং রফেল নদালনা মথংশিংনা অহানবা অমদি অনীশুবদা লৈরি।



হৌখিবা থা ১১ গী মনুংদা রোজর ফেদররনা টোপ থ্রিগী মনুং চনবা হন্দক্না অহানবনি। কুমজা ২০১৬ কী ওগষ্টতা ফেদররনা রেঙ্কিংগী মরিশুবদা হন্থখি। মদুগী মতুং তারকপদা মহাক মথং মথং কুমথখিবনা ১৭ শুবা রেঙ্কিংদা লৈখি। চহী অসিগী হৌগৎলকপদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল লৌরবা মতুংদা মহাক টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙমখিবনি।

ঙসি অয়ূক থাদোরকখিবা লিষ্টতা য়াওরিবা টোপ টেন প্লেয়রশিং অমসুং মখোয় মখোয়গী পোইন্টশিং অদুদি- এন্দি মুরে (পোইন্ট ৭৭৫০), রফেল নদাল (পোইন্ট ৭৪৬৫), রোজর ফেদরর (পোইন্ট ৬৫৪৫), নোভাক জোকোভিক (পোইন্ট ৬৩২৫), ষ্টেন ৱারিঙ্কা (পোইন্ট ৬১৪০), মেরিন সিলিক (পোইন্ট ৫০৭৫), দোমিনিক থিম (পোইন্ট ৪০৩০), কে নিসিকোরি (পোইন্ট ৩৭৪০), মিলোস রাওনিক (পোইন্ট ৩৩১০), গ্রিগোর দিমিত্রোভ অমসুং (পোইন্ট ৩১৬০) নি।

অমরোমদা নুপীগী ৱিমল্লেদন চেম্পিয়ন ওইখ্রবী গার্বিন মুগুরুজানা ৱিমেন'স টেনিস এসোসিএসন (দল্লিয়ু টি এ) গী রেঙ্কিংদা মঙাশুবা পোজিসন্দা হাইগৎলকখ্রে।

মশাগী চহী ২৩ শুরবী স্পেনগী শান্নরোয় অসিনা নুপীগী ফাইনেল মেচতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ভেনস ৱিল্লিয়মসপু ৭-৫, ৬-০ দা মায়থীবা পীখিবনি।

মুগুরুজানা নীংশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা ভেনস ৱিল্লিয়মসপু ৱিমল্লেদনগী ফাইনেলদা মায়থীবা পীখিবগা লোয়েননা চহী অসিগী ওইনা অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা ঙমখি।

দল্লিয়ু টি এগী রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী মকোক ইথং থংনা লৈরিবা শান্নরোয় ১০ অদুদি চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভা (পোইন্ট ৬৮৫৫), রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপ (পোইন্ট ৬৬৭০), জর্মনিগী এঞ্জেলিক কার্বর (পোইন্ট ৫৯৭৫), য়ুনাইটেদ কিংদমগী জোহানা পোন্টা (পোইন্ট ৫১১০), স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা (পোইন্ট ৪৯৯০), য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা (পোইন্ট ৪৯৩৫), দেনমার্ককী কেরোলাইন ৱোজনিয়াকি (পোইন্ট ৪৭৮০), রসিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোবা (পোইন্ট ৪৫০০), য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ভেনস ৱিল্লিয়মস (পোইন্ট ৪৪৬১) অমসুং পোলেন্দগী এগনিসকা রদৱান্সকা (পোইন্ট ৩৯৮৫) নি।



HL-B/4010/15/07-08/08